কোভিদ থেংনবা হেল্থকী খঙ হৈরবা মীওইশিং মাঙজৌননা ট্রেন তৌহৌবা তঙায়ফদে: এমসু

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):

কোভিদ থেংননবা হেল্থকী মতাংদা খঙ-হৈরবা মীওইশিং মাঙজৌননা ট্রেন তৌহৌবা তঙায় ফদে হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি ৱাংখৈময়ূম রিমাকাননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, হৌখিবা চহীদগী হৌনা মালেমদা অচৌবা শাফূ অমা পীরক্লিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎপু থেংননবা হোৎনবদা এমসুগী থৌমীশিংনসু অঙন্বা থৌদাং লৌদুনা লাকখি। মখা তানসু নৌনা শন্দারক্লিবা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ থেংননবা হোৎনবদা মণিপুরদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংগী অপূনবা লুপ এমসুনা লাইচৎ অসি থেংননবা হোৎনবদসু ফ্রন্ট লাইন ৱারিয়র ওইনা চোংথোক্তুনা হোৎনগনি হায়রি।

মালেমগী ওইনা শন্দোরক্লিবা সেকেন্দ ৱেভ অসিনা লমদম অসিদসু অকনবা শাফূ পীরক্লিবা অসি থেংননবা লৈঙাক্লসু অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলিবা চৈরক অসিদা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদসু ওক্সিজেন ৱাৎপগী অচৌবা ক্রাইসিস অমা লাক্লি। লোয়নননা লমদম অসিদসু অসিগুম্বা ওক্সিজেনগী অৱাৎপা লৈরিবা অসি থোক্তনবা লমদম অসিদা লৈরিবা ওক্সিগেন গ্যাস প্লান্টশিং অসিদসু লৈঙাক্লা হেন্না অকনবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়নননা তঙায়ফদনা চঙগদবা মথৌ তাবা ওক্সিজেন মাঙজৌননা থৌরাং তৌরগা থমহৌবা মথৌ তাই হায়রি।

চৈরক অসিদা কোরোনাভাইরস নত্তবা অতোপ্পা লায়না লাইচৎশিংগী লায়েংফম লৈরত্তবা তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা অনাবা লায়েংলত্তবা অসিনসু হেন্না মীয়ামদা চাওনা চৈথেং পীরক্লি। য়াম্না ফজবা চৎন-কাঙলোন অমগী মখাদা লায়েংনবসু শীলহৌদ্রবদি কোভিদ থেংননবা হোৎনবদা অতোপ্পা সেক্সনশিংদা লাইথোরক্লগদি মদুনা হেন্না মীয়ামদা চাওনা চৈথেং পীরক্কনি। মরম অসিনা মরী লৈনবশিংনসু অথুবা মতমদা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎপা চুমগনি। তোঙান তোঙানবা মফমদা চত্থরিবা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামশিং অসিসু নীংথিনা অচান-মীরাই নাইদনা মীপূম খূদিংমক চপ মান্ননা অতেনবা মতমদা পাক-শন্না ভেক্সিন কাপথোক্লবা হোৎনবা মথৌ তাই। তোঙান তোঙানবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা কাপ্লিবা ভেক্সিনশিংগী মমল অসিসু মোনিটর তৌদুনা চপ মান্নবা মমলদা ফংহন্নবা থৌরাং থৌশীল পায়খৎপা চুমগনি। লাইচৎ অসি থেংননবা হোৎনবদা মেইনপাৱরগী অচৌবা অৱাৎপা লৈরক্কদবা মরম্না মাঙজৌননা মেদিকেল এক্সপর্টশিংনা হেল্থকী মতাংদা খঙলবা মীওইশিংদা ট্রেনিং পীহৌদুনা শেম-শারগা লৈহৌবনা লাইচৎ অসি মপূং ফানা থেংনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়রি।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসনশিং মীয়ামদা য়ৌহনবদা অমদি ভেক্সিন কাপথোকপগী মতাংদা মীয়াম্না মীপাইবা লৈরিবশিং অসিসু কোক্লবা মেদিকেল এক্সপর্টশিংনসু মীয়ামদা তোয়না এব্ৰেয়রনেস পীদুনা লাইচৎ অসিগী মতাংদা হেন্না মপূং ফানা খঙনবা হোৎনবা মথৌ তাই। হৌজিক চহী ১৮দগী ৪৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা ভেক্সিন অসি অমুক্তদা লোইনা কাপখ্রবদি মতম খরগী তুংদা ব্লদ বেঙ্কশিংদা ঈগী অৱাৎপা লৈরকপা য়াই হায়না ফোংদোকপসু লৈখ্রে। মতাং অসিদা এমসুগী থৌমীশিংনসু ভেক্সিন কাপ্পা মতমদা তাঙ্কক তাঙ্কক নাইনা খায়দোক্তুনা কাপ্পগা লোয়নননা মতম মতমগী ওইনা তঙায়ফদনা চঙগদবা ঈ পীননবা শেম-শাদুনা লৈরি। হীরম অসিদসু লৈঙাক্লা থৌরাং থৌশীল পায়খৎতুনা ঈগী অৱাৎপা লৈরক্তনবা হোৎনহৌবা মথৌ তাই।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা ওইহল্লক্লিবা তোঙান তোঙানবা ক্রাইসিস অসিনা মীওইবা খুন্নাইদা পীরক্লিবা চৈথেং অসিসু ঐখোয় খূদিংমক্লা ৱাখল তামিন্নবগা লোয়নননা চপ চানা থেংনমিন্ননবা ইশা ইশাগী থৌদাং লৌমিন্নবা চঙই। লোয়নননা এমসুগী থৌমীশিংনসু লায়না লাইচৎ অসি থেংননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি, মীয়াম্নসু কোভিদ-১৯গী প্রোটোকোল ঙাক্লা চৎপীদুনা লমদম অসিদগী লায়না লাইচৎ অসি মুথৎনবা ঐখোয় খূদিংমক্লা হোৎনমিন্নরসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

হিয়াংলম এ সীগী ওইনা সী ঐচ আই সী মথৌ তৌরগনি

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপদগী ওইরক্লিবা ফিভম অসি য়েংলগা হিয়াংলম এ সীগী ওইনা হয়েংদগী হৌনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লাংমৈদোংদা লৈবা লাংমৈদোং হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমদি লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী হোল অসি কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর (সী ঐচ আই সী) ওইনা মথৌ তৌবা হৌরগনি হায়না এ সী অসিগী এম এল এ দা. য়ুম্নাম রাধেশ্যামনা ফোংদোকখ্রে।

হয়েংদগী হৌদুনা মথৌ তৌবা হৌগদৌরিবা সী ঐচ আই সীগী শেমজিন শাজিনবগী থবকশিং য়েংশিনবগী খোঙচৎ অদুদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী সী এম ও দা. টিঐচ রাজেন, দিষ্ট্রিক্ট সর্ভিলেন্স ওফিসর দা. ঈ কিরন, ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোম অমদি ৱাইখোংগী এস দি ও এ রোমেন য়াওনা চৎখিবা য়েংশিন খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা এম এল এ রাধেশ্যামনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা মণিপুরগী ওইনা হৌজিক কোভিদ-১৯গী ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা লৈঙাক্লা লৌখৎপা থবক্কী মনুং চন্না হিয়াংলম কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনসু মহাক্লা চ্যেরমেন ওইবা কম্মিটি অমা শেম্লে। কম্মিটি অসিনা পায়খৎপা থবকশিংগী মনুং চন্না হয়েংদগী কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর অসি থবক তৌবা হৌরগনি।

সী ঐচ আই সী অনী অসি ইনমেট ১০০দগী ১২০ ফাওবা লৈবা য়াগনি। হায়রিবা সেন্টর অসিনা মথৌ তৌবা হৌরবদি হিয়াংলম এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মফম খরদা মমাঙদা পোজিটিভ কেস য়াওরকপা মতমদা অনাবশিংগী লৈফমগী মতাংদা লৈরম্বা খুদোংচাদবা কয়া অদু কোকহনবা ঙম্লগনি। অদুবু মীয়াম্না সেন্টর অসি হাংদোক্লে হায়দুনা লায়না অসিদগী লাইথোকপগী মহুত্তা লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পিশিং অসি নীংথিনা ঙাকপীয়ু অমদি কোভিদকী ভেক্সিনসু হেক য়ারিবমখৈ কাপথোকপীয়ু হায়না আপীল তৌখি।

অৱাবা ফোংদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):

মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল, সী পি আইগী ষ্টেট কাউন্সিলর ওইরম্বা কমরেদ ঙাংবম ইবোতোননা হৌখিবা মে ২দা মশাগী অনাবা অমদগী চীঙারেনদা লৈবা মশাগী য়ূমদা লৈখিদবদা ঙসি অয়ুক লৈখিদ্রবগী য়ূমদা খুন্দ্রাকপম লোকেল কাউন্সিল, সী পি আইগী সেক্রেটরি কমরেদ ভোগেন্দ্রো, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সী পি আইগী সেক্রেটরি কমরেদ ঐচ বিমোল অমসুং ষ্টেট সেক্রেটরি কমরেদ এল সোতিনকুমারনা ময়াই তাংবল লৌদুনা অৱাবা ফোংদোকপগী থৌরম অমা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

কমরেদ ঙাংবম ইবোতোননা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবা অসি সী পি আইগী ওইনা চাওনা মাঙজবা অমনি হায়না এম এস সী/সী পি আইগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জোয়কুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

লন্নাই বেঙ্কশিংনা কোভিদ-১৯গী অৱাবা য়েংলগা শেন্দোই খোম্বা লেপ্পীয়ু

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ লেপ্তুনা শন্দোরকপদগী মীশি-মীনা অমদি নাবগী চাং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপনা মীয়াম্না মায়োক্লরিবা অৱাবশিং অসি য়েংলগা লন্নাই বেঙ্কশিংনা শেন্দোই খোম্বা মতম খরা লেপ্পীখো হায়না ককচিং খুন্নাই চাওখৎহনবা লুপ (কে কে সী এল)গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স সেক্রেটরি গুজরাল ময়াংলম্বমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লাইচৎ অসি ককচিংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু নাবগী চাং ৱাংখৎলকপদগী ককচিংগী লৈকায় অয়াম্বা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রে। ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ইমা কৈথেলশিং মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবফাওবা থিংজিনখ্রে। অসিগুম্বা চৈরক অসিদা লন্নাই শেন্দোই চাবা বেঙ্ক কয়াগী শেন্দোই খোম্বা লাকপনা মনা-মশিং য়োঞ্জবা, অপীকপা মওংদা লল্লোন-ইতিক তৌজবা মীওই কয়াদি কোক্তা খূৎ হাপ্পরে। অসিগুম্বা মাইক্রোফাইনান্স ইন্সটিট্যুসন কয়াগী অকনবা প্রেসর কয়ানা মরম ওইদুনা থবক শুবা চত্তবা য়াদবনা থবক শুবা, লল্লোন-ইতিক তৌবা থোক্লরক্লবদি কন্টেনমেন্ট জোন থম্লুবগী অর্থ লৈরক্লোই। হীরম অসিদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু।

লন্নাই বেঙ্কশিংনসু লাইচৎ অসিগী অৱাবা য়েংদুনা শেন্দোই খোম্বা লেপ্পীয়ু, মখা তানা শেন্দোই লৌবা মতমদসু কম্পাওন্দ ইন্টরেষ্টতা লৌবীগনু হায়না কে কে সী এলনা মরী লৈনবশিংদা আপীল তৌরক্লি। লৈকায় কয়া কন্টেনমেন্ট জোন থম্বনা থবক শুবা-নোম্বা চৎপা য়াদবনা লৈকায় লৈকায় মরুপ, টেন্দর, ষ্টোপ পেমেন্টনচিংবা শানরিবা মীওইশিংনসু লাইচৎ অসি লাকশিন্দ্রি ফাওবা মীওইবা জাতিনা থেংনরিবা অৱাবশিংসি খন্দুনা তৌবীদনবা আপীল তৌরক্লি।

অমরোমদা, মাইক্রোফাইনান্স ইন্সটিট্যুশনশিংনা শেন্দোয় লৌবদা লৌনিংবা মওংদা লৌরিবা অসি মনি লোন্দরিং এক্ট, ১৯৪৯বু মপূং ফানা রেগ্যুলেট তৌনবা অমদি রেজিষ্টর তৌদবা মাইক্রো ফাইনান্স ইন্সটিট্যুসনশিং দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈহনদনবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়না এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদা আপীলসু তৌরক্লি।

এব্ৰেয়রনেসকী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):

হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ফেজ লাক্তুনা মীয়ামদা পীরিবা চৈথেং অমদি নোংমা-নোংমগী লেপ্পা লৈতনা কোভিদ পোজিটিভ ওইরকপা অমদি শিবগী চাং হেনগৎলকপা অসিদগী ঙাকথোক্লবগী পান্দমদা কৈশামথোং এ সীগী ৱার্দ নম্বর-৯গী মনুংদা লৈরিবা মীয়ামদা এব্ৰেয়রনেস পীনবগীদমক থৌরম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়নননা রেপিদ এন্টিজেন টেষ্ট তৌবগী থবক থৌরম হৌদোকখ্রে হায়না কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স ৱার্দ নম্বর-৯ কৈশামথোং এ সীগী চ্যেরমেন ঐচ শ্যামকহ্নাইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কোভিদ-১৯গী মতাংদা মীয়ামগা ৱাখল তামিন্ননবগী পাঙথোকখিবা অমদি রেপিদ এন্টিজেন টেষ্ট তৌবগী থবক হৌখিবা অদু কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স ৱার্দ নম্বর-১৯ কৈশামথোং এ সীনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

এব্ৰেয়রনেস পীবগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস ষ্টেসনগী ও সী নোংথোম্বম ইঙোচানা থৌরম মপু ওইদুনা শরুক য়াখি। চত্থরিবা কেম্পেন অসি মখা তানা লেপ্তুনা চত্থখিগনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

বরাক থোং অমুকসু য়াখিদবগী দায়ত্ব ষ্টেটকী সী এমনা পুগদবনি : সী পি আই

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):

বরাক থোং অমুকসু য়াখিদবগী দায়ত্ব ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমদি ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টরনা পুগদবনি হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (এম এস সী/সী পি আই)গী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জোয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, হন্দকসু অমুক হন্না বরাক থোং তৎলে তাবদা সী পি আইনা অকনবা মওংদা পেন্দবা অমসুং নুংঙাইতবা ফাওই। মরমদি লম্বী অসি এন ঐচ বি৭ ওইরিবনিনা য়াম্না ফজনা শেমগৎলগনি হায়না পি এম নরেন্দ্র মোদি অমসুং সী এম বিরেন অনীনা কয়ারক হন্না ৱাশক্তুনা মীয়ামদা লাউথোকখ্রবনি। অদুবু হৌজিক লম্বী অসি ফাওনবা য়াদ্রবনিনা লৈঙাকপা অনীনা মসিগী থৌদাং পুফম থোকই।

মণিপুরদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লৈবনা নোংমা কাংদনা মীশি-মীনা য়াওরি। মরম অদুনা কোভিদ লায়েংবশিংগী ওক্সিজেন ৱাৎহনবা য়াদে। মসিদা নৎতনা এন ঐচ ৩৯ (এন ঐচ ২) দসু চৎপা য়াখিদবনা এন ঐচ ৩৭ অসিনা মণিপুরগীদি লাইফলাইন অমা ওইরি। লম্বী অসিদা মীওইবনা শীজিন্নবদা চঙগদবা চীঞ্জাক য়াওনা পোৎলম খুদিং বাইরোদ অসিদা পুরক্লিবনি। মদু পুম্নমক থোং অসিনা তৎলবনিনা পুম্নমক লেপ্পা তাগদৌরি। মসি লৈঙাক পায়রম্বা অমসুং পায়রিবশিংগী দায়ত্ব করিগী ওইরোইদৌবিনো হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

কম্মিটি শেমখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):

লাইরেঞ্জম মৈস্রাও গ্রাম পঞ্চায়টনা কোনবা খুঙ্গংশিংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী জল জিবন মিসন মায় পাকহন্নবা ইরোম মৈস্রাও মমাং লৈকায়দা গ্রাম পঞ্চায়ট অসিনা কোনবা মফমদা লৈবা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা পঞ্চায়ট জল জিবন মিসন কম্মিটি কৌবা অমা শেমখ্রে হায়না কম্মিটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি টিঐচ বিজেসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখিবা কম্মিটিগী মীফম অদুদা গ্রাম পঞ্চায়ট অসিনা কোনবা খুঙ্গং মরিদগী মীহুৎ ২/২ য়াওরগা কম্মিটি অসি শেমখিবদা নৌনা শেম্লবা কম্মিটি অসিগী সেক্রেটরি টিঐচ বিজেসনা ফোংদোকখিবদা গ্রাম পঞ্চায়ট অসিনা কোনবা খুঙ্গংশিংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট জল জিবন মিসন মপুং ফানা পায়খৎপা ঙম্নবা পি আর আই ইন্সটিট্যুটশিং দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়টশিংদা লম-লমগী ঈশিং চানরিবা পুখ্রিশিং ঙাকপী শেনবিনবা মেমোরেন্দম পীশিনবগা লোয়নননা বেভিন্ন্য কম্মিস্নরশিংদা ইষ্টেট লেন্দদা লৈরিবা মীয়াম্না চানরিবা পুখ্রিশিং অনওথোরাইজ ইক্রোচরশিং থিংহন্নবা হায়জবা, ৱাটর স্কারসিটিগী প্রোব্লেম লৈরবা খুঙ্গংশিংদা লৈরিবা পব্লিক পোন্দশিং পি আর আই/দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়টনা মীৎয়েং চংহন্দুনা খুঙ্গংগী মীয়ামদা অফবা ঈশিং পীথক্লবা হোৎনবনচিংবা কয়া য়াওখি হায়রি।

থৌরম অদুগা মরি লৈননা কম্মিটি অসিগী নৌনা প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লবা টিঐচ লৈশাংনা ফোংদোকখিবদা হৌজিক ফাওবদা পি আর আই/দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়টনা কোনবা মফমশিংদা লৈরিবা স্কুলশিংদা অফবা ঈশিং পীথক্লবা মরি লৈনবা লোয়শঙশিংগী পুক্লিং চিংশিঞ্জরি হায়খি।

নাদুনা লাক্লবা লনচেনবদা মতেং পাংখ্রে মখা তানা লায়েংলগনি: কে জাদুমনি

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংখেম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা অৱাং লৈকায়দগী চহী ১৫খক্তা ঙাইহিবা, চহী ৬কী মমাঙদগী লায়ওং খঙদনা নাদুনা লাক্লবা থৌনাওজম লনচেনবা মৈতৈদা এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী সোসল ৱর্কর কঙাবম জাদুমনিনা চক্তুনা ইমুং মনুংগী মীওইশিং উনদুনা লনচেনবগী অনা-লায়েংগী মতাংদা ৱারী-ৱাতাই শান্নখিবগা লোয়নননা মতেং পাংখ্রে। লনচেনববু মপান ষ্টেটতা পুদুনা লায়েংলগনি হায়নসু জাদুমনিনা ফোংদোকখ্রে।

চহী ১৫খক্তা ঙাইরিবা টিঐচ লনচেনবা মৈতে থৌনাওজম দ্রমেন্দ্র অমদি থৌনাওজম ওংবী বিজেতা লৈমা অনীগী মচানুপা অতোম্বনি, মহাক্কী মথক্তা মচে অমসু লৈরি। লনচেনবা কুমজা ২০১৫দগী ঙসি ফাওবা নাদুনা লৈরকপনা মহাকপু অপোকপা অপোকপীনা মফম খূদিং পুদুনা লায়েংনবা হোৎনবদা ময়ূমগী মরল-মথুম লৈশিল্লক্লে হায়রি। মচাগী অনাবা অসি ব্রেনদসু ওইবা মরম্না মহাক্কী নীংশিংবগী শক্তি অমুক অমুক মাঙবা অমদি লায়ওং খঙদবা কয়া য়াওনা মরম ওইরগা ঙসি ফাওবা শেন্নদুনা লৈরকপনি। লায়েংবা ঙম্লক্তবদগী লোকল এম এল এদা হায়জরম্বসু লৈখ্রে। মতমদুদা শেলগী ওইবা মতেং খরদি পাংলকখি হায়না অপোকপীনা ফোংদোরকখি।

মতেং পাংলুবা অদুগা মরী লৈননা সোসল ৱর্কর কে জাদুমনিনা ফোংদোরকপদা লনচেনবা মৈতৈগী অনা লায়েংগী থৌদাং লৌদুনা বেঙ্গলুরুদা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেন্টেল হেল্থ এন্দ ন্যুরো-সাইন্সেস (এন আই এম ঐচ এ এন এস)তা মশা য়াওনা চক্তুনা লায়েংলগনি হায়না ফোংদোরকখিবগা লোয়নননা মীয়াম্নসু অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খিবদা, টি ভি চেন্নেল অমনা শন্দোরকপা পাউ অমা সোসল মিদিয়াদা থেংনরুবদগী মহাক্কী থম্মোয় শোকপা হায়বদু ওইখি। মরম অদুনা মহাক (জাদুমনি) মশা হকথেংননা লনচেনবগী য়ূমদা লাকপনি। ইমুং মনুংগী ওইরিবা ফিভম অসি কুপ্না ৱারী-ৱাতাই শানদুনা খঙলে। লনচেনবগী অনা লায়েংগীদমক মহাক্লা থৌদাং লৌদুনা মশামক য়াওনা চক্তুনা বেঙ্গলুরুদা লৈবা এন আই এম ঐচ এ এন এসতা পুদুনা লায়েংলগনি হায়না মিদিয়াদা ফোংদোকখি। লোয়নননা লনচেনবগী অনা-লায়েংদা মণিপুরদা লৈরিবা সোসল মিদিয়া গ্রুপশিং, সী এস ওশিং, ওর্গনাইজেসনশিংনসু অঙম অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু জাদুমনিনা ফোংদোরকখি।

লনচেনবগী অপোকপনা হায়, লনচেনবা মশাগী চহী ১৫রোম শুরে। মশাগী চহী ৮/৯লোম শুরকপদা লাইওং খঙদনা নারকখিবদগী খোঙ-খূৎ য়াওনা পংথবা অমদি ৱা ঙাঙবা থোরকখিদে। মণিপুরগী হোস্পিটালশিং দোক্তরশিং অয়াম্বদা লায়েংবদগী হেন্দোক্তনা গুৱাহাটি ফাওবা পুদুনা লায়েংলুরে। লনচেনবদা নারিবসি সেভর কম্বাইন্দ ইম্যুনো দিফেসিএন্সি লায়নানি হায়বা খঙলকপদগী বেঙ্গলুরুদা লৈবা এন আই এম ঐচ এ এন এসতা লায়েংনবা দোক্তরশিংনা হায়রকখি। অদুবু ইমুংগী শেল-থুমগী ফিভম ফত্তবনা লায়েংবদা চৎপা ঙমদনা ঙসি ফাওবা লৈরক্লি হায়খি।

ꯊꯨꯅꯥ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯔꯤ/
URGENTLY REQUIRED

YES+ Healthcare & Research Centre, Uripok Ahanthem Leikai

Sl. No.	Name of Post	Experience	No. of Post	Salary
1.	MLT	Fresher may Apply	2	Rs. 6.k+ incentives
2.	Nurse (Male/Female)	Fresher may Apply	2	Rs. 6.k+ incentives
3.	Driver	Fresher may Apply	2	Rs. 6.k+ incentives

Time : 9.00 a.m. to 5.00 p.m.
Contact : 8837460524 / 7005058641

HL-P/9728/5

ꯃꯥꯡꯂꯦ / DOCUMENT LOST

I have lost my Original Registration Card and Admit Card bearing Registration number 13110 and Roll No. 18242 of Class XII (Sc) for the year 2019 issued by COHSEM on the way between Pishum and Kwakeithel on 20/4/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Mutum Langamba**
Kha Naorem Leikai, Canchipur
9366880562

HL-P/9731/5

ꯈꯥꯎ ꯇꯥꯔꯦ/খাউ অমা তাহৌরে

নম্বোল মোইজিংদগীনা নম্বোল কাংমোং মৈস্নাম লৈকায় ফাওবগী মনুংদা খাউ অমা তাহৌরে। খাওদুদা ঐগী Service Documents, Aadhaar, 3 ATM Cards, Pan Card লোয়নননা Cash ওইনা লুপা ২৭,০০০ য়াওখ্রে। কনাগুম্বা খাউ অসি খুনবীবা থোক্লবদি মখাদা পীরিবা নম্বর অসিদা পাউ পীবিরকউ, অৱামল মতিক চানা কৎচগনি।

Sd/- **Chanambam Tanuja Devi**
W/o Ngangom Manikanta Singh
Nambol Kangmong Maisnam Leikai
9612255101 # 8730931563

HL-P/9729/5

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মুচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনাৰৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুবগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-P/9231/15/3-16/4

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/নাহী তাবা, নপ মহী তোয়না তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, কোক লুম্বা অমদি চিকপা, লোক কংখূ খূবা, নাতোন্দা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, নাকোং ঙংবা, নাকোং য়ৈশিনবা, নাতোন মখুন অনীমক ফুনবা, ঈংবা য়াদবা, হৈ চাবা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা সাইনসনা নাদুনা নাহী য়াম্না তোয়না-তোয়না তাবা, নপ মহী তোয়না তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, কোক লুম্বা অমদি চিকপা, লোক কংখূ খূবা, নাতোন্দা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, নাতোন মখুন অনীমক ফুনবা, নাতোন মখুন অনীমক ফুনবা অদুনা য়ারোমদা শ্বর হোনবা, য়ারোমদা শ্বর তোয়না হোনবনা য়া ফৈদোরকপা, নাকোং ঙংবা, নাকোং য়ৈশিনবা, অঙৈংবা পোৎ চাবা য়াদবা, ঈংবা য়াদবা, ঈংলগনা সাইনস অদু হেনবা, হৈ চাবা য়াদবা, খনাউ মনুংদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কচিবা, ঙকশম মরী নাবা, মীৎ নুংঙাইতবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা Zia-Ul-Haque পু পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6917/5
থাগৎচরিবী : **Y. Herachandra Singh, Thoubal**

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ 'নুংঙাইরবা পাউনি মীয়ামগীদমক্তা অমসুং থাগৎচরি ওজা ABDUL HAK পু'

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোক্লগা লৈবা, চিকপা-নাবা, খোং হাম্বা য়াদবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, পাঙ্গলা শোন্থরকপা, শৌজ নাম্থবা, অমাংথোঙদা মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক কংখৎপা, শ্বর হোনবা ৱাবা, খ্বাং নাবা, অহিং মপূং ফানা তুম্বা য়াদাব, ঙকশম মরী নাবা অদু ওজা Abdul Hak Phone No. # 8794429681, 8014623756 দা চক্তুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Hak পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :-
Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

থাগৎচরিবা : **Kh. Hemochandra**
Mongsangei Mayai

HL-P/9659/5

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা চারগনা হেন্না ঈ তাবা, অমাংথোঙ তংখায় অমা পোমথোকপা, অমাংথোঙ মনুংদসু পোমথোকপা, অমাংথোঙ মপান্দা মফম অনী থোক্লা চেখাইবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংবদু পায়াগুম্না পীক্লা থোরকপা, অমাংবদু মপান্দা লোইনা থোরকউ য়াদবা, খূৎনা কোৎলগা লৌথোকপা ফহনবগী ওজা রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা মতম কুইনা নুংশঙ নাদুনা খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা চারগনা হেন্না তারকপা, শা-ঙা চাবা খরা হল্লগনা ঈ তাবা খরা-খরা লৎপা, ঈ অসুম-অসুম তাখিবনা হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা অমদি কোক ঙাওরগা থবক শুবা ঙমদবা, অমাংথোঙ তংখায় অমা পোমথোরকপা, অমাংথোঙ মনুংদসু পোম্বা খূৎনা থিংজিল্লগা য়েংবদা, খোঙ হাম্বা মতমদা পায়াগুম্না অমাংবা অদু পায়াগুম্না পীক্লা থোক্লকপা, অমাংবা অদু লোইনা থোক্লকউ য়াদবা, অমাংবা অদু খূৎনা কোৎলগা লৌথোকহৌদ্রবা তারগদি অমাংথোঙ মনুংদা য়াম্না নুংঙাইতবা অমদি চিক্লি-চিক্লি তৌরগা লৈবা হায়রিবশিং অসি ওজা রিয়াজুদ্দিন, **☎ 7085494783, 9856797338** দা চক্তুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি।

লায়েংফম :-(1) North AOC near Central GST Bhavan, Imphal. (2) Mayang Imphal (3) Mantripukhri Friends Colony Bylane-3 (4) Moreh Phaicham Veng.

HL-P/9615/5
থাগৎচরিবা : **M. Gyaneshor, Hiyangthang**

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/খোঙ য়াম্না তোয়না হাম্বা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, খোঙ হাম্বা মতমদা কোঙ্গোল অমদি মনাঙ য়াওরকপা, হকচাংদা য়াম্না চিকপা-নাবা, করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা খোঙ হেক্তা হাম্নিংবা, খোঙ হাম্নিংলকপা মতমদা খাঙবা ঙমদবা অদু ফহনবগীদমক ওজা Azad পু হন্না-হন্না থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ য়াম্না তোয়না হাম্বা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, খোঙ হাম্বা মতমদা, কোঙ্গোল অমদি মনাঙ য়াওরকপা, হকচাংদা য়াম্না চিকপা-নাবা, করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা খোঙ হেক্তা হাম্নিংবা, খোঙ হাম্নিংলকপা মতমদা খাঙবা ঙমদবা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু পোল্লি-পোল্লি তৌরগা লৈবা, অদুগী মতুংদা নোংমদা খোঙ য়াম্না হাম্বা, খোঙ হাম্বদা শৌজ নাম্থরকপা, নাম্থরকপা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎখিবা, মতম খরগী মতুংদা খোঙ হাম্বা লোইরগা শৌজ মশানা হনগৎলম্বা অদু মশানা হনগৎলু য়ারক্তবা খূৎনা ইনশিনদ্রিবা ফাওবা হনগৎলু য়ারক্তবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, অতেক-অনৌ চাবা য়াদবা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরূমুক চাওবা অমা পোমথোক্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা অমুকসু ফখিবা, অমুকসু তারকপা অসুম্না তৌরগা লৈবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad Phusam বু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
4. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/9682/5
থাগৎচরিবা : **Maibam Santa, Wangjing**

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি

চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, ফেল ওইবা, অৱাংবা পরিক্ষা, থবক মফম সরকারগী থবক, পক্লবা করবার, শেল-থুম, শেল পুখবা, য়ূম-ইংখোল, গাড়ী নম্বর মচু, য়ূম্বাল, ইচা-ইশু, অঙাং য়াওদবা, নিশাদা লাইচুবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, হকচাংগী অনাবা, পোৎশেম-যাদু, এক্সিদেন্ট, য়েক্লবনা মাঙনবা তৌবা, পক্লবা লক্সিষ্টোন, যন্ত্র, ঈরাৎ-থৌনী মরমশিং অসি খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপ্না য়েংজরি। য়ূমদা লাকপা খূদোংচাদবশিং Whatsapp কী খূথাংদা online দা য়েংবীবা য়াগনি। অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে। Whatsapp mobile : 9077188456

Contact : **JM Dr Ph Rajendra,** (International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Near Community Hall, Imphal East

HL-P/9658/21/4-22/5

[illegible]

M/S BEE BRICK FIELD

Wangjing Sabal Checkon Leikai
Near, Khongjom War Memorial
GSTIN - 14CMPYS1064C2ZU

Class	Rate (Rs)	No. Of Bricks	Amount (Rs.)	Transp. & Labour Charge (Concessional Rate)	Total (Rs.)
1st Class	16.00	2,000	32,000	1,600	33,600
		1,500	24,000	1,200	25,200
		1,000	16,000	1,200	17,200
2nd Class	15.00	2,000	30,000	1,600	31,600
		1,500	22,500	1,200	23,700
		1,000	15,000	1,200	16,200
1st Reject	14.50	2,000	29,000	1,600	30,600
		1,500	21,750	1,200	22,950
		1,000	14,500	1,200	15,700
Jhamat	14.00	2,000	28,000	1,600	29,600
		1,500	21,000	1,200	22,200
		1,000	14,000	1,200	15,200
P.T.	13.50	2,000	27,000	1,600	28,600
		1,500	20,250	1,200	21,450
		1,000	13,500	1,200	14,700
2nd Reject	12.00	2,000	24,000	1,600	25,600
		1,500	18,000	1,200	19,200
		1,000	12,000	1,200	13,200
3rd Class	10.00	2,000	20,000	1,600	21,600
		1,500	15,000	1,200	16,200
		1,000	10,000	1,200	11,200
Checktek 1 Load 407 Cantor			6,500	1,200	7,700

Contact Hour:
Mon to Sat : 6.00 am to 6.00 pm

Please Contact :
1. 7005134130
2. 7005513073

HL-P/9451/7/4-6/5 (alt)